# কুমজা ২০১৭ কী মণিপুরগী লৈঙাক কাঙলোন পৈশানা লৈহনগুমসি



— মনিবাবু লিকমাবম —

**থা ৭/৮** খক্তা ঙাইরবনি মণিপুরদা মীয়ামগী ওইবা মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা লৈঙাক সাসন অমা লৈগদবা। কুমজা ২০১৭ কী মার্চ থাদগী অনৌবা লৈঙাক শোয়দনা লৈরগনি। তৌবতবু লাক্কদৌরিবা লৈঙাক অদু অনৌবা - অফবা লৈঙাক্লোয়শিংগী ওইগদরা নৎত্রগা হান্নগী মীয়াম্না পাম্নদ্রবা অরিবা লৈঙাক্লোয়শিং অসিগী অদুমক ওইখিগদরা হায়বসিনি। হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না ঙাঙনরিবা ৱাফম অমদি মীয়াম্না পাল্লিবা লৈঙাক্তি - মীয়ামগীদমক খনবা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা, মরন্নাই লন-থুম লেপশিন্দবা, ঈংনা তপ্না লৈঙাকপা, ঈরাং থোকহন্দবা, চয়োল খুদিংগী বন্দ, ব্লোকেদ তৌহন্দবা, মহে-মশীন তম্বদা অকায়বা পীদবা, নোংমগী চরা তাঞ্জবা লায়রবা মীওইশিংদা চরা তানবদা অকায়বা পীদবা, মপান্দগী লাকপা করবার তৌবশিংনা পোৎয়ান শেমদুনা শেন্দোং হেন্না ফংনবা হোৎনহন্দবা, অরোনবা দ্রগকী করবার তৌবশিংবু চৈরাক পীবা ঙম্বা, হায়রে অনীদা ইকনমিক ব্লোকেদ লৈহন্দবা, পেট্রোল পম্পশিং চাং নাইনা হাংহনবা, লায়রবা মীচম মীয়ামদা চেঙ-চিনি য়েনফম থোকপা চাং নাইনা য়েনবা, য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংগা মীচম মীয়ামগা মুক্নদুনা খূৎশেমগী মীহাৎপা থোকহন্দবা, নুপী ওইবীশিংবু নমজা নমথেকহল্লোইদবা, লম্বী-থোং শেমগৎপা ঙম্বা, লৌমীশিংগী পোৎথোক হেনগৎহন্দুনা লৌমীশিং ৱাহন্দবা, লমদমসিদা কল-কারখানা লিংখৎতুনা লাইরিক হৈরবা মহৈরোয় কয়া থবক তৌফম পীবা ঙম্বা, মতিক চানা অচুম্বা মওংদা শেন্থং পীদুনা নহারোল কয়া মশানা মশাবু থবক পীজহনবা ঙম্বা, টৌটি ঈশিং ফজনা ফংহন্নবা হোৎনবা ঙম্বা, ইলেক্ট্রিক্কী মৈ য়ূমথোং খুদিং ফংহন্নবা হোৎনবা ঙম্বা, মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলুপ চীংমী-তম্মী নুংশিননা লৈহনবা ঙম্বা, ঈথৈ লৌখোং ফজনা শেমগৎতুনা, তুরেল তেংথোক্তুনা নোং হেক তাবগা ঈশিং থুমদনবা হোৎনবা ঙম্বা, মীচম মীয়ামগী অৱা অনা, খোল্লাউ কয়া তাবীবা ঙম্বা, শম্না হায়রবদা মীচম মীয়ামগা খূৎশম্নরগা চৎপা ঙম্বা লৈঙাক অমা মণিপুরগী মীয়াম্না পাল্লি।

কুমজা ২০১৭ কী মার্চ থাদগী লৈগদৌরিবা লৈঙাক অসিগী লৈঙাক্লোইশিং খনবগী মীখল কুমজা ২০১৭ কী জানুৱারী নৎত্রগা ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোল্লবা য়াই হায়না পানরি। করিগুম্বা হৌজিক লৈরিবা কোংগ্রেস আইগী লৈঙাক অসিদগী মন্ত্রি/এম এল এ খরা চোংথোরল্লগা বি জে পি মণিপুর প্রদেশতা য়াওশিনখিবা তারবদি লৈরিবা লৈঙাক অসি কায়খিদুনা প্রসিদেন্ট রুল লাল্লবদি মীখল অসি য়ৈশিল্লক্তুনা চহী অসিগী নবেম্বর নৎত্রগা দিসেম্বর থাদা পাঙথোল্লবসু য়াই হায়না পানরি। মসিমক্তি ওইরদবা য়াই হায়না পোলিটিক্সকী অখণ্ড-অহৈশিংনা ঙাঙনবসু য়াওরি।

হৌজিক মীয়াম্না ঙাঙনরিবা অমদি ওইরবা য়াই হায়না পানরিবা পোলিটিক্সকী কাঙলোন অসি কোংগ্রেস আইগী মন্ত্রি/এম এল এ খরা বি জে পি মণিপুর প্রদেশতা য়াওরক্লবা কন্না হোৎনরি হায়বসিনি। শ্রী হেমন্তা বিস্বা, আসামগী নম্বর ২ রেঙ্কতা লৈরিবা মিনিষ্টর অসি আসামগী কোংগ্রেস আইগী মিনিষ্টর ওইরম্বদগী মহাক্না লোয়ননা এম এল এ মাপল কোংগ্রেসতগী তোল্লগা আসাম বি জে পিদা য়াওখিবনি। লোয়ননা বি জে পিগী টিকেটতা ভোৎ লেপ্তুনা হৌজিক আসামদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মন্ত্রি ওইরি। তৌইগুম্বসুং কোংগ্রেস আইদগী তোল্লকপা এম এল এ লোইনমক বি জে পি আসাম প্রদেশতা য়াওখ্রবসু, বি জে পিগী টিকেট পীখিদবা এম এল এ খরা য়াওখি। হেমন্ত বিস্বাদা অচৌবা থৌদাং পীদুনা এন ঈ ডি এ (নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স) শেমদুনা, অৱাং নোংপোক ভারত্তা কোংগ্রেস আই লৈহন্দবা লৈঙাক অমা শেম্ননবা বি জে পি নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অচৌবা থৌরাংশিং মীয়াম্না খঙনরবনি। মরম অসিননি শ্রী হেমন্তা বিস্বানা মণিপুরগী মীখল নকশিল্লক্লবা মতম অসিদা মণিপুরদা তোয়না লাক্তুনা লোন্না লোন্না কোংগ্রেস অমদি অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এম এল এ কয়া উনৈ হায়নরিবা অসি। মহাক লাকপগা ইরোইননা কোংগ্রেস আইগী মন্ত্রি/এম এল এ কয়া বি জে পি মণিপুর প্রদেশতা য়াওরকপা য়াই হায়না মীয়াম্না কন্না ঙাঙনরিবসি। চহী ১৫ রোম কোংগ্রেস আই অমদি চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা লৈরক্লি। হৌজিক্তি অশেংবা কোংগ্রেস আইগী লৈঙাক ওইরে। অসুক কুইনা কোংগ্রেস আইদা মন্ত্রি/এম এল এ ওইরম্লবা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা মীওইশিং অসিনা বি জে পিদা য়াওনিংলিবসিগী মরমদি মথংগী মীখলদদি কোংগ্রেস আইগী টিকেটতা মখোয় ভোৎ কাবা ঙম্লরোই খনবদগীনি। ইন্দিয়াদা কোংগ্রেস আইগী লৈঙাক অসি মরাই চাইথরক্লি। মরম অদুনা মণিপুরদসু কোংগ্রেস আই লৈররোই খনবদগী বি জে পিদা চঙলগা ভোৎ কাননবা হোৎনবনি। লুরিবদি শেঞ্জা থুমজানা মবুক নোয়রবা চহী ১৫ মখোয়না তৌনিংবতা তৌদুনা লাক্লবা, শম্না হায়রবদা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা মীওইশিং অসি কোংগ্রেস আইগী অঙৌবা তুপী উপ্লম্বদগী বি জে পিগী থম্বাল য়েকপা গেরুৱা মচুগী তুপী উপ্লগা মীয়ামদা নমথাক তৌবা লাকপদা মীয়াম্না থাজবীগদ্রা? মশাগীখক্তা খনবা, লৈবাক্কী খল্লক্তুবা কয়া অসিনা পোলিটিক্সকী ফিজোল হোংনি তৌরিবসি, ক্বাক্লা ৱাহোংগী মতু থেৎচিনবা তারোইদ্রা? অমরোমদা নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা মণিপুরদসু অফবা লৈঙাক সাসন অমা থম্নবা হোৎনরিবা বি জে পি মণিপুরনা কোংগ্রেস আইদগী এম এল এ লৌশিন্নবা হোৎনরি হায়না ঙাঙনরিবা অসিবু অফবা ওইগদরা? কোংগ্রেস আইগী এম এল এ য়াওদ্রবদি লৈঙাক শেম্বদা মশীং শুরোই খনবদগীরা? বি জে পিগী অশেংবা মীওই ওইবা, ৱানা হোৎনজরল্লবা কয়াদা টিকেট পীবিরগা ভোৎ কাহন্নবা হোৎনবনা ফগনি খল্লি। হৌজিক্তি মণিপুরদা ভোৎ কাগদবা অসি মীরেপ অদুগী মতিক মগুণদা চান্মদা ৭০ ওইরগা পার্টিদনা চান্মদা ৩০ ওইরবনি। মণিপুরগী মীয়াম য়াম্না শিংলবনি। মসিগী অফবা খুদমদি হৌখিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলদা অপূনবা সীট ২৭ কী মনুংদা ১০ বি জে পিনা ফংবা ঙমখি। বি জে পি ওইরবসু কেন্দিদেট অদু ফৎত্রবদি অফবা কোংগ্রেস আইগী মীহুৎনা ভোৎ কাখি। মরম অদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা কোংগ্রেস আইগী মীয়াম্না পাম্নদ্রবা অনীরক অহুম্লক ভোৎ কারবা, মরল-মথুম কয়া পৈশিনখ্রবা মীওই কয়া পুশিল্লক্লবা হোৎনরিবা অসি মীচম মীয়াম্না য়াগদৌবা মান্দে। বি জে পি মায়থীগদৌবা মাল্লি।

নাকল অমরোমদনা ভোৎ থাদগদৌরিবা মীচম মীয়াম ঐখোয়না করম্বা দলগী করম্বা মীওইদা ভোৎ পীগদগে হায়বসি মুন্না খনবা মতম য়ৌরে। ঐখোয়না য়েংগদবসি মীহুৎ ওইরিবা (এম এল এ) অদুগী থবক পাঙথোকপগী চাং (রিপোর্ট কার্দ) অদুগা করম্বা দলগী এম এল এ ওইরিবগে হায়বসিনি। হৌজিক লৈঙাক চলাইরিবা কোংগ্রেস আইগী মন্ত্রি/এম এল এশিংগী রিপোর্ট কার্দ নৈনদবা য়ারোই। য়েংসি- শাবা কুইদ্রিবা ইমা কৈথেল য়ুহা হাবদা চেকখাইখি, লন্নাইগী বিল্ডিং কয়ানা চেকখাইদ্রগা, ইমা কৈথেল চেকখাইরিবা অসি নিংথিনা শাদবগীনি, কৈথেল শাননবা পীরকপা শেনফম তঞ্জাই অমা কৈথেল শাবদা শীজিন্নবগী মহুত্তা লন্নাই ফুরিৎখাওদা চঙলমগনি। শাবা কুইদ্রিবা থৌবাল কৈথেলসু নমথখিবগী পাউ মীয়াম্না খঙনখ্রে, নিংথিনা শাদবগীনি। কৈথেল মনাক্তা গাড়ী অচৌবা থৌজিনবদগী নত্তে। মণিপুরগী মীয়ামদা শাংলবা চহী ১৫ সিগী মনুংদা টৌটি ঈশিং নিংথিনা পীথকপা ঙমদ্রি। নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা অহোংবা মমলদা চেঙ লায়রবা মীয়ামদা পীগদবদু নিংথিনা পীবা ঙমদ্রি। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা শাবা ঙমগদরা ঙল্লোইদ্রা হায়না মীয়াম্না মীপাইনরি। য়ুনিভর্সিটি শাদ্রিঙৈদা পার্লিয়ামেন্টতা বিল অমা পাস তৌরগা এক্ট ওনখিগদবনি হায়বসি ইকায় খুম্নজরিবা মুখ্য মন্ত্রি অমদি মহাক্কী ওফিসিএলশিংনা কাউবগুম তৌরি। য়ুনিভর্সিটি শানবা মফমদুগী ক্ষেতিপুরোন পীবদা থৱায় য়াওদুনা লৈরে হায়নৈ। য়ুনিভর্সিটি অসি শাননবা মফম লেম্না পীরগে হায়বা মফমদদি লৈঙাক্লোইশিংনা শানবা হোৎনদে। ক্ষেতিপুরোন ফংলোই খনবদগীনি। আই এল পিগী ৱাফম য়াম্না শাংথহল্লিবা অসিসু থৌশিল হৈতবা, লৈঙাক্লোইশিং মোত মান্নদবা, মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা থৱায় য়াওদবগী খুদমনি। চুড়াচান্দপুরদা আই এল পি য়ানিংদবগী ঈরাংদা লৈখিদবা মীওই মাপনগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি। অমুক য়েংসি - মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা মরুওইবা পরিক্ষা কয়া চয়েৎনবা থোকপনা অয়াম্বনি। পৈশা চঙনা শাখিবা খুগা দাম কান্নবা ফংবা ঙমদনা অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা অৱাবা তাহল্লে হায়বগী পাউ পাউচেশিংদা ফোঙনখ্রে। সেকমাই দাম ঈশিংনা চেন্থখিবা ঐখোয়না থেংনখ্রে। থৌবাল দামদা ঈশিং য়ুরকপগী পাউ ঐখোয়না তাখ্রে। লোক্তাক পাৎ শেংবগী পৈশা কয়া চাথোকখি হায়বা ঐখোয়না তাখ্রে। মীয়ামগী ওইনা চহী কয়া লৈহৌরগদবা লমদমসিগী শেমগৎ শাগৎপা, চাওখৎ থৌরাংদদি নিংথিনা শেম্বী শাবীদ্রগা, লন্নাইগী লন-থুম লেপশিনবা, লৌকোন কয়া মরী মতাগী মিংদা লেপশিনবা, অচৌ-অচৌবা বিল্ডিং কয়া মণিপুর অমদি মণিপুরগী মপান্দা লৈশিনবা মীয়াম্না থিজিনবীরবদি লোইনা খঙবা ঙমগনি। আর টি আই থাবীয়ু লোৎপা য়ারোই। এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ ওইনা চহী অমদা লুপা ক্রোর অমমম পীরিবদু কম্মুনিতি হোল শাবদা লোইখ্রে হায়রগা লন্নাইগী লন-থুম লেপপদা পৈশাশিং অদু শীজিন্নখিবনি। মীখল তৌদ্রিঙৈদা ৱাশকখিবা মীহুৎশিং অদুগী ৱাশকশিং কদাইদা চৎখ্রে। কন্ট্রেক্ট ৱার্ক খুদিংমক মখোয় মখোয়গী মরী মতা, মচিন মনাওশিংদা লোইনা পীবা ঙাক্তনি। য়াম্না শেংনা তৌজবা, মন্ত্রি অমদি এম এল এগী বেক্কিং লৈজদবা কন্ট্রেক্টরশিংদি মকোক্তা মখূৎ হাপ্লবনি।

মথংগী কুমজা ২০১৭ কী জেনরেল ইলেক্সন্দা বি জে পিগী মীহুৎ মশীং য়াম্না কারক্কনি হায়না মণিপুরগী মীয়াম্না পানরি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওইরিবা মওং মতৌসিদা মীয়াম্না পেনবা ৱাৎপা, থাজবা থম্লক্তবগুম তৌরি। মরমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফঙ্কসন্নরিশিংগী মরক্তা নাকপাক-নাকপাক তারকপা অসি পাউচেশিংদা ফোঙনখ্রে। ষ্টেট একজিক্যুটিবকী মেম্বরশিং নোমিনেট তৌবদা মীচং-মীখায় নাইরে হায়না পাউচেশিংদা ইনরক্লে। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা প্রসিদেন্টকী শক্তি মনিং মখা তম্না শীজিন্নহন্দবগী মমি তাবগুম তৌরে। মীখল নকশিল্লক্লবা মতমসিদা মণিপুরগী বি জে পি মনুংদা অসিগুম্বা চনৈনবা অসি থোকহন্দবা ফৈ। অনৌবা প্রসিদেন্টপু নিংথিনা মতেং পাঙবীরগা অচুম্বা তৌবা, অকনবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইহনবনা মীয়ামগী থাজবা হেনগৎলক্কনি। ইশা-ইশাগী ওইজবা খরা থাদোকপীরগা মণিপুরগী বি জে পিগী ফঙ্কসন্নরি ওইবিরিবশিংনা মথংগী মীখলগীদমক খনবীরগা অনৌবা প্রসিদেন্ট অসি মশাগী ওইবা ৱাখলদা থবক খরা তৌহনবনা তুংগী অফবা ওইগনি। অফবা, অচুম্বা মায়কৈদা লৈবাক্কী ফননবা খোঙথাং ওইনা প্রসিদেন্টবু মতেং পাঙবীবনা ফগনি। ইশা ইশাগী ওইজবনা মাঙ থারগা অনৌবা প্রসিদেন্ট অসি হোষ্টেজ ওইনা থম্লগা থবক তৌহন্নিংদে। মসিনা লাক্কদৌরিবা মীখলদা মীহুৎ মশীং য়াম্না কাবা ঙমদবগী মরম ওইরক্কনি। মীয়ামগী থাজবা মাঙলক্কনি। অমরোমদা চহী ১৫ লৈঙাক সাসন্দা য়াওরল্লবা কোংগ্রেস আই অমদি অতৈ পার্টি খরগী মন্ত্রি অমদি এম এল এ খরা বি জে পিদা য়াওরল্লবা অমদি য়াওহল্লক্লবা তৌরিবা অসি অফবা ওইগনি হায়বসি খনবীগনু। মরমদি চহী ১৫ দা মখোয়না করি তৌখি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। মখোয়বু মীয়াম্না য়াবা ৱাৎলবনি। মরম অদুননি মখোয়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশতা চঙলল্লগা অমুক অফবা শাগে খল্লিবসি। ফাখ্রবা ঈশৈ কাওবা য়ারোই। মখোয়গী পৈশা চাবা, মরল মথুম লেপশিনবগী হৈনবী থাদোকপা য়ারোই। বি জে পিগী প্রিন্সিপলনা মখোয়বু য়ারোই। করপসন ফ্রি ওইরিবা এন দি এ অমদি প্রধান মন্ত্রিগী লীদরসিপ অসিনা করপসন্দা হালেংবা লৈত্রবা মীহুৎশিং অসিবু য়াবীগদ্রা? অমরোমদা মখোয় মখোয়গী দল থাদোল্লগা বি জে পিদা চঙনবা হোৎনরিবা ইকায় খুম্নজরবা মীহুৎশিং অসিনসু ইকায়বা খঙবীবা ফৈ। মণিপুরদদি মীখলদা মায় পাক্লিবা অসি পার্সেন্টেজ অয়াম্বদি মীহুৎশিংগী মগুণদনি, দলগী মগুণদা নত্তে। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অসি বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ ওইবগী বি জে পিদা চৎনীংবগী ৱাতনি। বি জে পিগী মন্ত্রি/এম এল এ ওইরগা পৈশা চাবা, লন-থুম পৈশিনবদি য়ারোই। প্রধান মন্ত্রিনা থবৎ-থবৎ কল্লক্কনি। নীংশিংবা য়াই, ইকুই কুইদনা মহারাষ্ট্রগী রেভেন্যু মিনিষ্টর ইকানাথ খটসে, লম লৈশিনবদা মমিং চেন্নরকপদগী মন্ত্রি ফমদগী লৌথোক্ত্রিঙৈদা মশানা রিজাইন তৌখি। চহী ১৫ লৈঙাক সাসন তৌরল্লবা মন্ত্রি/এম এল এশিং য়ারগদি মীখল অমুক থেংনবীরগনু। নখোয় নখোয়গী সম্পতি চহী লিশীং কয়া চারবসু লোইররোইদবগী মওংদা পৈশিনখ্রে। কোংগ্রেস আইগী ইকায়খুম্নজরিবা অনৌবা প্রসিদেন্টনসু অনৌবা ৱাখল লৈরবা, মতিক মগুণ লৈবা মীওই কয়া দলগী মীরেপ ওইনা থাদোকপীয়ু, মীয়াম্না পাম্নরক্কনি। মীয়াম্না পাম্নদ্রিবসি দলদা নত্তে, মীরেপ ওইরিবা মীওইশিংদুদনি।

অমরোমদা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল ইলেক্সনগী মীরেপ খনবদা ৱাথোক ওইহনবীগনু। অফবা, লাইরিক হৈবদা নত্তনা লাইশু খঙলবা, মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওই অদুগী ট্রেক রেকোর্দ য়েংবীরগা মণিপুরগী অফবা তৌরক্কদবা মীওইশিংবু মীখলগী মীরেপ ওইহনবীয়ু। মীরেপ ওইনবা খনবীবদা ইন্দিয়াগী কন্সটিটুশন্না খঙবা, ইন্দিয়াদা ঙাঙনরিবা ইংলিস নৎত্রগা হিন্দী খঙবা মীওই ওইহনবীয়ু। নৎত্রগদি ইন্দিয়াগী অতৈ মীওইশিংনা মণিপুরবু উশিৎলোই। ঠিকা তৌরগা অকাস বিলদগী পৈশা পায়রকপা, ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈবা, অরোনবা করবার তৌবদা চেন্নবা মীওইনা মীরেপ ওইহনবীগনু। ইংলিস নৎত্রগা হিন্দী ঙাঙবা ঙমদ্রবদি দিল্লিদা চৎলগা মণিপুরগী মরমদা ৱা ঙাঙলুবা ঙম্লোই। অফবা মীওইবু মীরেপ ওইনা খল্লবদি মথংগী মীখলদা ভোৎ কাবদা ৱারোই। হৌজিক মীচম মীয়াম্না পাল্লিবা অসি অফবা, ইনৌ নৌবা মীরেপশিংদা বি জেপিগী টিকেট পীবগা লোয়ননা ভোৎ কাহল্লগা মতিক মগুণ লৈবা বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক সাসন লৈহনবা অসিনি। মমাঙগী মীখল কয়াদা মায়থীখ্রবা, হঞ্জিন হঞ্জিন মগুণ খঙখ্রবা মীওইশিংনা মীখল থেংনরকপদা বি জে পি ওইরবসু, কোংগ্রেস আই ওইরবসু কাবা ৱাগনি।

মতাং অসিৱাইদনি মীচম মীয়ামগী ভোৎ অসি কনাদা পীগদগে খনবা মথৌ তারিবসি। কোংগ্রেস আইগী মীহুৎশিং চহী ১৫ লৈঙাক পায়খ্রবনিনা পৈশা মতিক চানা পায়রম্লগনি। ভোৎতা পৈশা চাওনা য়েল্লক্কনি। ভোৎ লৈননবা হোৎনরক্কনি। পৈশা লৌরগা ভোৎ হেক য়োন্থোল্লবদা অমুক কোংগ্রেস আইগী লৈঙাক হল্লক্কনি। হৌজিক পেন্নদ্রিবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা অমুক হেন্না পেল্লক্লোই। মরম অদুনা মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না মথংগী মণিপুরগী লৈঙাক অসি করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী করম্বা মীওইশিংদা ভোৎ পীরগা শিন্নগদগে মুন্না খনবীবা মতম য়ৌরবনি। মীচম মীয়ামগী খোল্লাও লাউবীবা হৌবা য়ারে। হৌজিক ঐখোয়না ঈংনা তপ্না লৈদুনা মণিপুরবু চাওখৎপা লমদম অমগী মওংদা উবা ঙমদ্রিবা অসি কনানা থোকহনবনো হায়বদু ঐখোয় য়াম্না মমুৎ তানা খঙবা তঙাইফদে। লৈরিবা লৈঙাক অসি মমাঙগী মীখলদা ঐখোয়না ভোৎ পীরগা শেমহনখিবা লৈঙাক অদুনি। মীখল মমাঙদা খ্বাইদগী তোনবা ভীক্কারি ওইরম্লগা, ভোৎ কাখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী চাউবা ডাকু, মীচম মীয়ামগী ঈ চুপ্পা হিংচাবা ওল্লকপদনি। য়াম্না ফরমগদ্রা হায়দুনা ভোৎ পীরুবনি। য়াম্না ফৎলমদ্রে। অদুদি ঐখোয় মখোয়দা ভোৎ অমুক পীদবা তাই। অনৌবা অফবা মীওইদা অমদি অফবা রাজনিতি দল খল্লগা ভোৎ পীবা তাই। পৈশাসু লৌদনা ভোৎ পীরগা, মীহুৎ খনবা তাই। পৈশা হেক লৌরুরগা মীহুৎ খনখ্রবদি মীহুৎ অদুসু হিংচাবা, ডাকু ওল্লক্কনি। পৈশা লৌদনা ভোৎ কাহনখিবা মীওই অদু ঐখোয়না মখূৎ পায়রগা চিংদুনা চাওখৎ থৌরাং তৌমিন্নবা য়াগনি। পৈশা লৌরগা ভোৎ কাখিবা মীহুৎ অদুনা অচৌবা বঙ্গলোদা লৈখ্রগা থোঙ হাংদোরক্লোই, মীচম মীয়ামগী খোল্লাও তাবীরোই।

ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি শ্রী মানিক সরকার মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা শুপ্নতগী লুপা ৬,৫০০ লৈ হায়নৈ। মহাক্কী ওইবা অচৌবা ময়ূম লৈতে, মহাক্কী থাগী তলব মহাক্কী দলদা লোইনা দান তৌথোকই, শুপ্নতগী লুপা লিশীং মঙাখক শীজিন্ননবা থম্মী। মহাক্কী নুপী কৈদৌঙৈদসু ওফিসকী গাড়ী শীজিন্নদে, মহাক্কী ওপোনেন্ট কয়ানসু মহাকপু ঈকায় খুম্নৈ। মুখ্য মন্ত্রি অসি ত্রিপুরা মীখলদা মরিরক মায় পাক্লবা নুপানি।

মণিপুরদসু মথংগী মীখলদা পৈশা লৌদনা মীহুৎ খল্লগদি অফবা লৈঙাক শোয়দনা লাক্কনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা লুপা লিশীং খরা লৌরগা ভোৎ পীরুবদুনা ঐখোয়না ঙসি অৱাবা কয়া থেংনবীবনি। ভোৎ ময়াদা পৈশা লৌরগা চাক চানবগী হৈনবী লৈহল্লোইসি, ভোৎ মমাঙদা মীরেপ ওইরিবা মীওই অদুদা লম্বী শেম্বীরম্মু, ঈশৈ-লীলা তৌবদা পৈশা হাপীনবা হায়বীরুনু। মীচম মীয়াম্না পাল্লিবা অফবা লৈঙাক, বন্দ, ব্লোকেদ লৈতবা লৈঙাক লৈহনসি হায়রবদি মথংগী মীখলদা পৈশা লৌদনা ভোৎ পীগনি হায়না ইশানা ইশাবু ৱাশকপীয়ু। অফবা লৈঙাক লৈহনসি, পৈশা লৌদনা মীহুৎ খনসি, মথংগী কুমজা ২০১৭ কী লৈঙাক পৈশা লৌরগা শেম্বা লৈঙাক ওইহল্লোইসি।

# নাম্মা শোয়রবা মীওইশিংগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না করি করম্বা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলিবগে

— ডা. সাপম জসোৱন্ত —

**মসি** পুম্নমক্না খঙমিন্নবগী তঙাইফদবদু লৈ, ঐগী য়ূমদা নৎত্রগা লৈকায়দা থোক্ত্রবসু ঐখোয়না খঙলে নাম্মা শোইরবশিংবু খুন্নাই অসিগী তৎনা থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না, মখোয়সু খুন্নাই অসিগী অথৌবা অথৌবীশিংদুগী চাদা নাওদানি, অদুগা করিগী পীদোল্লবা/পীদোল্লবীগুম নাম্মা শোয়রবশিংনা পোকচবী মমাগী মতম্বাকসিদা মনীংতম্না চেন চোংজদুনা শান্নজবা ঙমজদ্রিবনো? মণিপুরগী খুন্নাই অসিগী অপূনবা মশীং অসি লাক্ষ ২৭ খরা হেনবনি হায়না কুমজা ২০১১ গী মীকোক থিবগী পাউদমদা ফোঙদোক্লি, মসিগী মনুংদা মীকোক লিশীং ৫৮ খরা হেনবনা নাম্মা শোইরবশিংগী মীকোকনি হায়রি, মসি খুন্নাই অসিগী শক্তি লৈবা য়েলহৌ চীংমী ফূরুপ অমগী মীকোক অমগুম্বগী মীকোক্না করিসু খেন্নবা লৈতে, লাইবক থীবা তোল্লবা মপোকনি হায়জিনবীদুনা নাম্মা শোয়রবশিংবু নমদুনা খ্বাইদগী লাইবক থীবা ওইহন্দুনা ঙসি খুন্নাই অসিদা হিংহল্লক্লি, ফীভম অসিদা খুন্নাই অসিদা থোং মান্নদবগী চৈথেং অমা চাওনা পীরি হায়বা য়াই, মসিদগী কোকহন্নবা কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা তিনশিনখ্রবা তুংদগী মণিপুর লৈঙাক্না চহী ৬৮ মুক হায়বদি হৌজিক ফাওবা লৌখৎখিবা অখন্নবা থৌরাংশিংদু অসুম্না মথং মনাও নাইনা নৈনবা নুংঙাইনি। অহানবদা, লৈঙাক অসিনা নাম্মা শোয়রবশিং অসিবু নীংথিনা মহৈ মশীন হৈহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা মাঙদা থম্লগা চঙশিনবনা নাম্মা শোয়রবশিংগী অৱাবা, লৈতাদবা কয়াবু কোকহনবা ঙমগনি, লোয়ননা মান্নবা থবক অমদা খুন্নাই অসিদা মখোয়সু মনিংতম্না হীরম খুদিংমক্তা ঈজৎ লৈনা শরুক য়াজবা ঙমহনবদা শোইদনা মতেং ওইগনি খনবদগী হাননা লন্নাই লূপ অমনা চলাইরম্বা উবগী শক্তি ৱাৎলবা মীওইশিংনা তম্নবা মহৈকোন (আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল) অসি লৈঙাক্না কুমজা ১৯৭৮ তা লৌশিন্দুনা লৈঙাক অসিনা মপূং ফানা চলাইবা অহানবা নাম্মা শোয়রবশিংগী মহৈকোন অমা ওইখি। মসিগী তুংদা না তাদবা, লোন থোক্তবা মীওইশিংনা মহৈ মশীন তম্নবা দিফ এন্দ মুট স্কুল অসি লৈঙাক্না লৌশিন্দুনা মপূংফাবা লৈঙাক্কী মহৈকোন অমা ওইরকখি, ঙসিদি মহৈকোন অনীসি তাকয়েলদা লৈবা সোসল ৱেলফ্যের কমপ্লেক্স হায়না খঙনরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) কমপ্লেক্স অসিগী মায়োক্নবদা লৈরি, মহৈ লোইশঙ অনী অসি ক্লাস ৱান্দগী তেন ফাওবা মহৈরোয়শিংনা তমজবা ঙম্নবা লৈঙাক লোইশঙনা খুদোংচাবা কয়া নাম্মা শোয়রবা মহৈরোয়শিংগীদমক থম্বীরি, খরদং হায়রবদা মিংজনশেল য়াওদনা মিং চনবা য়াহল্লি, অরাপ্পা মফমদা লৈবা লাকথোক লাকশিন খুদোংচাদবা নাম্মা শোয়রবা মহৈরোয়শিংগী লৈফম চাফমগী খুদোংচাবা অরৈমন, অচামন পীদনা লৈবা য়াহল্লি, মসিগী মথক্তা লাইরিক-লাইশু, বোই, কলমনচিংবা অরৈমন য়াওদনা নাম্মা শোয়রবা মহৈরোয়শিংদা ফংহল্লি, মহৈকোন অনীসি মণিপুর লৈঙাক্কী খুন্নাই য়াইফ লোইশঙ (সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট) গী মিৎয়েং মখাদা লৈরি, মহৈকোল অনীসি য়েংশিন্নবা লোইশঙ অসিনা ওফিসর অমা ও এস দি ওইনা হাপ্তুনা অঙনবা মতমদগী য়েংশিন্দুনা লাকখি, মহৈকোন অনীসিদগী মতিক চাবা মরোমদোম হিংজবা ঙম্লবা মীওই কয়া ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা পুথোক্তুনা খুন্নাইগী ইচেলদা য়াওবা তপ্না তপ্না হৌরকপা ঐখোয়না উনরি।

অনীশুবদা, কুমজা ১৯৯৫ দা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না লৈপাক অসিদা লৈরিবা নাম্মা শোয়রবা খুদিংমক নিংথিনা ঙাকপী শেনবীবা ঙম্নবা মপূং ফাবা চাকথুং ফংজবা ঙম্নবা মসিগী মথক্তা মপূং ফানা খুন্নাইগী ইচেলদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হায়দুনা লো অমা শেমদুনা হায়বদি পিপলস ৱিথ দিসএবিলিটি, ইক্কেল ওপোর্চুনিটি, প্রোটেক্সন ওফ রাইটস এন্দ ফুল পার্টিসিপেসন এক্ট ১৯৯৫ অসি এক্ট ওইনা লৈপাক শিনবা থুংনা চৎননবা তৌরকপদগী মণিপুরগী লৈঙাক্নসু লৈঙাক্কী থাক্তা চৎনরে হায়না ফোংনা লাউথোক্ত্রবসু লোইশঙগী থাক্তা লমদম অসিদা চৎনবা হৌরকপদগী কুমজা ১৯৯৬ কী মতুংদগীদি হান্না ওফিসর অমখক্না নাম্মা শোয়রবশিংগী মহৈকোন অনী য়েংশিনবতা নত্তনা অতৈ হীরম কয়া থৌদাং লৌদুনা লাক্লম্বদু খুন্নাই য়াইফ লোইশঙদা নাম্মা শোয়রবশিংগী হীরমদা নিংথিনা খঙ হৈরবা মীওই খরা কন্ট্রেক্ট ওইনা হাপচিন্দুনা দিসএবিলিটি সেল অমা হাংদোক্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা নাম্মা শোয়রবশিংগী থবক থৌরমশিং হেন্না পাক চাওনা তৌবা ঙম্নবগী পান্দমদা থবক তৌবা হৌরকখি, সেল অসিনা লমদম অসিগী লৈঙাক্না পায়খৎপা লোইননা ময়াই লৈঙাক (সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট) না পায়খৎপা নাম্মা শোয়রবশিংগী য়াইফ থৌরাং খুদিংমক নিংথিনা লমদম অসিদা লৈরিবা নাম্মা শোয়রবশিংগী মফমদা য়ৌহনবা ফংহনবা ঙম্নবগী থৌদাং অদু হৌখিবা চহী খরসিদগী ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি, থৌরাংশিং অসিগী মনুংদা খরদং পল্লবদা, অনএমপ্লোইমেন্ট এলারেন্স, নাম্মা শোয়রবা মহৈরোয়শিংদা পীবা স্কোলরসিপ, ইন্দিরা গান্ধী দিসএবল পেন্সন, লাইরিক নীংথিনা তমহৌদ্রবা নাম্মা শোয়রবশিংদা পীবা ৱান টাইম ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স, মেরিএজ ইন্সেন্টিভ এৱার্দ মসিগী মথক্তা নাম্মা শোয়রবশিংবু মখোয় মখোয়গী নাম্মা শোয়রবগী থাক লেপথোক্তুনা শকখঙ চেশিং (দিসএবিলিটি সার্টিফিকেট) য়েন্থোক্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা নাম্মা শোয়রবশিংগী থাক অমদি মখোয়গী মথৌ তারকপা কয়া খঙদোকপদা লায়না থোক্নবা শকখঙ চে অসিসু য়েন্থোকপগী থবক লেপ্তুনা লৌখৎতুনা লাক্লি।

অহুমশুবদা, উবগী শক্তি ৱাৎলবা মীওইশিংনা নিংথিনা মহৈ মশীন মখা তানা অৱাংবা থাক্কী লৌশিং ফংহনবা ঙম্নবগী পান্দমদা কুমজা ২০১২ দা brail press অমা মণিপুর লৈঙাক্না হাংদোকপীখি। মসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা নাম্মা শোয়রবা উবগী শক্তি ৱাৎলবা মীওইখক নত্তনা খুন্নাই অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা উবগী শক্তি ৱাৎলবা মীওই খুদিংমক্তা অফবা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন কয়া পীনবগী পান্দমদা লৌখৎপা থৌরাং অমনি, মসিনা হৌজিক হৌজিক খুন্নাই অসিদা লৈরিবা অমদি অকোয়বা লমদমশিং অসিদা লৈরিবা উবগী শক্তি ৱাৎলবা মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা লাইরিক পাবা ফংদবগী অৱাবা কোকহনবদা মতেং য়াম্না চাউনা ওইবা খক নত্তনা ৱাখল লৌশিং চাওবা হেনগৎহনবদা ঙমহল্লগনি, মসি মপূং ফানা মথৌ তৌবা ঙম্নবা মতিক চাবা মীওই কয়া থবক হাপ্তুনা মথৌ তৌহনবা হৌখ্রে।

মরিশুবদা, কুমজা ২০১৪ দগী ষ্টেট কম্মিসন ফোর পেন্সন ৱিথ দিসএবিলিটি ওফিস অমা জুন থাদা হাংদোক্তুনা নাম্মা শোয়রবশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং নিংথিনা ঙাকপী শেনবীবগা লোয়ননা মপূং ফানা ফংহনবা ঙম্নবগী পান্দমদা হাংদোক্তুনা মথৌ তৌহনখিবা ঐখোয় খুদিংমক্না উনখ্রে, মসি মপূংফানা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্নবা হায়দুনা মতমদুদা মপূং ফাবা কম্মিস্নের অমা হাপ্পগা লোয়ননা মহাক্কী মতেং পাঙবীনবা ষ্টাফ খরা হাপচিন্দুনা ওফিস অসিনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা নাম্মা শোয়রবশিংগীদমক পাঙথোক্কদবা থৌদাং কয়া শিন্নদুনা মথৌ তৌবা হৌনখ্রে হায়বা য়াই।

লোইশিল্লকপদা তৌগদবা কয়া অমদি মাঙদা তাদুনা লৈরি, খরদং পল্লবদা নাম্মা শোয়রবশিংগী ষ্টেট পোলিসি, এসেসিবিলিটি এনভাইরোনমেন্ট নৎত্রগা barrier free environment লোয়ননা নাম্মা শোয়রবশিংগী অখন্নবা হেল্‌থ ইন্সুরেন্স সোসিএল সেক্যুরিটি অমা নাম্মা শোয়রবশিংগীদমক পায়খৎপা য়াম্না মথৌ তারি। মসিগী মখা তারকপদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ঐখোয়গী লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসি নিংথিনা পাঙথোল্লিব্রা, মপূং ফানা চলাইবা ঙল্লিব্রা হায়বদু অমুক্তং হান্না য়েংমিন্নবগী য়াম্না মথৌ তাই খল্লি হয়েংগী য়াইফবা মণিপুরী খুন্নাই অমগীদমক।